## সাইন্টিষ্ট অহুমদা ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীখ্রে

ষ্টোকহোম, ওক্তোবর ০৮ (এজেন্সি) :
যুনির্ভসকী মরমদা থিজিন্দুনা হান্না খঙলমদবা কয়া খঙহনবা ঙম্লিবা সাইন্টিষ্ট অহুম জেমস পিবলস, মিচেল মেয়র অমসুং দিদিয়র ক্বিয়েলজদা রোয়ল স্বিদিস একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা কুমজা ২০১৯ গী ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীখ্রে। কুমসিগী লোরিয়েটশিং অসিনা কোস্মোসকী মরমদা লৈরম্বা ঐখোয়গী আইদিয়াশিংদা অহোংবা কয়া লাকহল্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা একাদেমি অসিগী ষ্টেটমেন্টনা অমনা ফোঙদোকখি।

## ক্রেম্লিন্না য়ু এসকী রোল য়াখিদ্রে

মোস্কো, ওক্তোবর ০৮ (এজেন্সি) :
যুক্রেনগী নোংপোক থংবা লমদমদা কিভ গভর্নমেন্ট অমসুং প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্টশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মুক্নবগী ফিভম লৈখায় তানবা হোৎনবা ওইনা যুনাইটেদ ষ্টেটসসু ৱারী শান্নবদা য়াওহনবগী ৱাফম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ানা রিজেক্ট তৌখ্রে।

## সিরিয়াদা এটেক তৌনবগী থৌরাং মপুং ফারে : টর্কি
## কা হেনবা চত্থরক্লবদি অমাঙ-অতা কয়া মায়োক্লরক্কনি : ট্রম্প



ইষ্টাবুল, ওক্তোবর ০৮ (এজেন্সি) :
যুনাইটেদ ষ্টেটসনা ট্রুপ লৌথোকপা হৌদুনা টর্কিস ফোর্সশিংনা মতম শাংনা ৱাশিংটনগী মীচং ওইদুনা লাক্লবা কদশিংনা লুচিংবা ফোর্সশিংদা এটেক চত্থবা য়ানবগী লম্বী ফাৎখ্রবা মতুংদা টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা মিলিটরি ওপরেসন চত্থনবা শেম শাবগী থবক মপুং ফারে হায়না অঙ্কারানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা করিগুম্বা নাটোদা য়াওরিবা মীচং লৈবাক অসিনা সিরিয়াদা কা হেনবা থৌওংশিং চত্থরক্লবদি লৈবাক অসিগী (টর্কি) গী শেল-থুমগী ফিভমদা চৈথেং চাওনা নংহনগনি হায়খ্রে।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ৱারেপ মতুং ইন্না য়ু এস স্পেসল ফোর্সেসকী ট্রুপ ৫০ সিরিয়াগী বোর্দর লমদমদগী ৱিথদ্রো তৌবা হৌখ্রবনি। অসুম্না য়ু এসনা অমেরিকান ট্রুপশিং লৌথোকপা হৌখিবা অসিনা কদশিংনা লুচিংবা সিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী হান্নগী পার্টনর ফোর্সশিংদা টর্কিস আমর্দ ফোর্সেস (টি এস কে)না এটেক তৌবদা খুদোং চাহল্লগনি হায়না মিলিটরি ওবজর্ভরশিংনা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

কদশিংনা লুচিংবা ফোর্সশিং অসিবু মতম শাংনা টর্কিদা লালহৌবগী ইরাং চত্থদুনা লাকখিবা কর্দিস মিলিটেন্টশিংগা মরী লৈনবগীদমক্তা টি এস কেনা টেররিষ্টশিংনি হায়রিবনি। ঐখোয়গী বোর্দরদা টেররিষ্টশিংগী কোরিদোর অমা শান্নবা হোৎনরকপদা টি এস কেনা তুমিন্না লৈথোক্লোই। মিলিটরি ওপরেসনগী শেম শাবগী থবক হৌজিক মপুং ফারে হায়না টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফোর্সশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিরিয়াগী টেল অবয়াদ অমসুং রাস অল এইনদা লৈবা ওবজার্ভেসন পোষ্ট অনীদগী হোংদোকখ্রে হায়না যুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবনি।

## য়ুনিভর্সিটিদা বোম পোকখায়বদা ২৩ শোক্লে



কাবুল, ওক্তোবর ০৮ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী সিটি ঘজনিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমগী ক্লাস রুম অমগী মনুংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মহৈরোয় ২৩ শোক্লে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু য়ুনিভর্সিটি ওফ ঘজনিগী লিটরেচর ফেকল্টিগী ক্লাস রুম অমগী মনুংদা সেসন চত্থরিঙৈগী মনুং অয়ুক্কী পুং ৯.৪০ রোম তাবদা থোকখিবনি হায়না প্রোভিন্সিএল গভর্নরগী স্পোক্সপর্সন অরিফ নোরিনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

ঘজনি পুলিসকী স্পোক্সমেন অহমদ খান সিরাফনা ফোঙদোকখিবদা, খ্বাইদগী নৌবা পাউ মতুং ইন্না আই ঈ দি অমা পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় ২৩ অশোক-অপন নংলে। লাইবক থিবদি টেররিষ্টশিংগী থবক অসিদা অশোক-অপন নংলিবা অয়াম্বদি নুপীমচাশিংনি হায়রদুনা অরিফ নোরিনা ফোঙদোকখি মদুদি, অশোকপশিংগী মনুংদা নুপী ১২ য়াওবগা লোয়ননা অনীগী ফিভম লুনা লৈরি। ঘজনি প্রোভিন্সকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদগী লাকপা মিলিটেন্টশিংগা কন্টেক্ট লৈনবা মহৈরোয় খরা থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না অরিফনা মখা তাখি।

## কাশ্মিরগী মতাংদা চাইনিজ মিলিটরি লিদরশিংগা ৱারী শান্নখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ০৮ (এজেন্সি) :
পাকিস্তানগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সী ও এ এস) জেনরেল কমর জাভেদ বাজৱানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বৈজিংদা চাইনাগী মিলিটরি লিদরশিংগা কাশ্মির ইশ্যুগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে হায়না ইন্টর-সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর)না ফোঙদোকখ্রে।

দোন ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না জেনরেল বাজৱা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা নুমিৎ নিনিগী ওফিসল খোঙচৎ অমদা বৈজিংদা থুংদ্রিঙৈ পুং খরা মাঙওইননা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা চাইনিজ কেপিটেলদা থুংখিবনি। পাকিস্তানি মিলিটরিগী মিদিয়া ৱিং ওইরিবা আই এস পি আরগী মতুং ইন্না জেনরেল বাজৱানা বৈজিংদা লৈবা পি এল এগী হেদ ক্বার্টরসতা পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী আর্মি কম্মান্দর জেনরেল হন ৱৈগুও অমসুং সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসন (সী এম সী)গী ভাইস চ্যেরমেন জেনরেল সু কিলিয়াংগা উনখি।

নাকল অনীনা রিজনেল সিক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্ট অমসুং পাকিস্তান চাইনা দিফেন্স কোওপরেসনগী মরমদা খন্ন-নৈনখি হায়না আই এস পি আরনা ফোঙদোকখি।

সী ও এ এসনা চাইনিজ মিলিটরি লিদরশিংদা কাশ্মিরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম লীদুনা খঙহনবগা লোয়ননা ইশ্যু অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা ৱারোইশিন অমা পুরক্তবা তারবদি খুদোংথিবা ফিভম কয়া লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ানা য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিং ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা কাশ্মিরিশিংগী হ্যুমেন রাইটসপুসু ইকাই খুম্নগদবনি হায়না জেনরেল বাজৱাগী মায়কৈদগী চাইনিজ মিলিটরি লিদরশিংদা থমখি হায়না আই এস পি আরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

পাকিস্তান-ইন্দিয়াগী উংখৎনবশিং ৱারোইশিন পুরক্তনা মখা তানা চত্থদুনা লৈবা তারবদি লমদম অসিগী মরা তপ্পা অমসুং তং তাবগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা পীরক্কনি হায়বসিদা লৈবাক অনীগী মিলিটরি লিদরশিংনা য়ানখি। নাকল অনীনা গল্ফতা ওইরক্লিবা ফিভম অমদি অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। নাকল অনীমক্না হৌজিক লৈরিবা দিফেন্স কোওপরেসন চেৎশিনহনবগী ৱাফমসু য়ানখি।

## চাইনাগা ফাওনবা হোং কোংগী ক্রোস-বোর্দর ট্রেন সর্ভিস লেপখ্রে

হোং কোং, ওক্তোবর ০৮ (এজেন্সি) :
চাইনাগী গুৱাংঝৌ তম্না চেল্লকপা ট্রেন অমদা অমুবা ফিজোল শেৎপা মীওই ২০ হেনবনা এটেক তৌবগী ফুটেজ অমা সোসল মিদিয়াদা ফোঙনখিবা মতুংদা হোং কোংগী মাস ট্রান্সজিট রেলৱে (এম টি আর) কোওর্পোরেসন্না মেললেন্দ চাইনা ক্রোস-বোদর সর্ভিস পুম্নমক মতম খরগী ওইনা লেপহনখ্রে মিদিয়া রিপোর্টশিংনা লৈবাকপোক নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ফুটেজ অদুগী মতুং ইন্না ওক্তোবর ৪ গী নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা গুৱাংঝৌ তম্না পেসেঞ্জরশিং পুরিবা ট্রেন অদু ষ্টেসন য়ৌবা মতমদা অমুবা ফিজোল শেৎপা মীওইশিং অদুনা কোয়শিনখি। ভিদিও অদুদা নুঙথং অমসুং ষ্টিল বারশিং শীজিন্নবা এটেক্করশিং অদুনা ট্রেন অদুগী গ্লাসকী থোঙনাওশিং অমদি ষ্টেসন প্লেটফোর্ম অদুদা লৈরিবা সর্ভিলেন্স কেমেরাশিং থুগায়খি।

ট্রেন অদুনা ষ্টেসন অদু থাদোকপা হৌখিবা মতমদা মীওইশিং অদুনা প্লেটফোম গেপতা অচৌবা নুঙ কয়া, বাইসাইকল অমা অমসুং অতৈ পোৎশক কয়া লংশিনবগী শক্তমসু ফুটেজ অদুদা উবা ফংখি হায়না সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।



কা হেনবা থৌওংগী ইরাং অদুগা মরী লৈননা এম টি আর কোর্পোরেসন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা গুৱাংঝৌ, বৈজিং অমসুং সাংহাই য়াওনা চাইনিজ মেললেন্দদা লৈরিবা লমথুংফমশিং য়ৌগদবা ট্রেন সর্ভিসশিং লেপহনখি।

এম টি আরগী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদুদা গ্লাস পেনেল ২০ কায়খ্রে অমসুং ট্রেন কম্পার্টমেন্ট অমা ফিভম কায়হনখ্রে। হোং কোং সিটিগী রেল ওপরেটরগী মায়োক্তা এন্টি-গভর্নমেন্ট মুভমেন্টকী হার্দ-কোর এলিমেন্টশিংনা চত্থরক্লিবা অমাঙ-অতা থোকহনবগী কেম্প্যেন্দা খ্বাইদগী নৌনা চৈথেং নংলিবদি ক্রোস-বোর্দর সর্ভিসনি।

হৌখিবা ওক্তোবর ৫ দা মমাংদা থোকখিদ্রিবা মওংদা নেটৱার্ক অপুন্বা থিংজিনখ্রবা মতুংদা এম টি আর কোর্পনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মসিগী ষ্টেসন ৯৪ গী মনুংদা ৫৪ থিংজিনখিবনি।

## সিরিয়াদগী ট্রুপ লৌথোকপগী ৱারেপ য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্তোবর ০৮ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সিরিয়াগী মরু ওইবা মফম অমদগী অমেরিকান ট্রুপশিং হন্দোকহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ রিপব্লিকানশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরু ওইবা মীচং অমা ওইরিবা কর্দশিংবু থাদোক্তুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা শোক্লরিবা লানগী মরু ওইবা লানফম অমদগী থোরকপা অসিনা ৱাশিংটনগী ইন্টরেষ্টশিং মেনখৎপা ঙম্লরোইদা মওংদা চাওনা অমাঙ-অতা থোকহল্লগনি হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে।

রিপব্লিকান সিনেটরশিং ফ্লোরিদাগী মার্কো রুবিও টেক্সাসকী তেদ ক্রুজ য়াওনা কোংগ্রেস্মেল লিদরশিং অমদি মকোক থোংবা দেমোক্রেট কয়ানা ট্রম্পকী ৱারেপ অদুবু অকনবা মওংদা ক্রিটিসাইজ তৌখি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

কেন্টাকিগী রিপব্লিকান অমা ওইরিবা সিনেট মেজোরিটিনা হেদ মিটচ মেকোনেলনা ট্রম্পতা অমেরিকানা লুচিংবা অমা ওইবগী থৌওং চপ চানা চত্থনবা অমদি নোরদর্ন সিরিয়াদা য়ু এস ট্রুপশিং মখা তানা থম্নবা তকশিনখি।



অমেরিকাগী অনীংবা অপাম্বশিংদি থবক খুদিংমক্তা লৈবাক অসিনা মাঙজিল থারগা পাঙথোকপদুনি। প্রোব্লেমশিং মায়োক্লবগী মহুত্তা ট্রুপ লৌথোকপনা চিংবা তৌদুনা নাথৈবদি নত্তে হায়না মেকোনেলনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ট্রম্পপু হকথেংননা ক্রিটিসাইজ তৌখিদ্রবসু সিনেটনা হৌখিবা জন্যুৱারিদা সিরিয়াদা য়ু এসকী ট্রুপশিং থম্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু নৌহৌননা পনখি। অসিগুম্বা ক্রিটিসিজম কয়া লাকপদগী ট্রম্পনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাগৎখিবা ত্বিটরগী ৱারোল অমদা করিগুম্বা অঙ্কারানা সিরিয়াদা কা হেনবা থৌওংশিং চত্থরক্লবদি মহাক্না টর্কিকী ইকনমিদা চাওনা চৈথেং ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমেরিকান ট্রুপশিং লৌথোকপগী মতাংদা ট্রম্পনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা টর্কিনা কর্দিস ফাইটরশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি ওফেন্সিপ অমা চত্থবা য়ানবা লমদম অদুদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিং লৌথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা চহীদসু ট্রম্পনা ইখঙ খঙহৌদনা সিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিং মপুং ফানা ৱিথদ্রো তৌনবা ওর্দর তৌখিবনা মরম ওইদুনা মতমদুগী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মটিস মফম থাদোকখি। চরাংনবা ফিভম অদুদা মহাক্না তঙাইফদনা সিরিয়াদা য়ু এস ফোর্স খরদি মখা তানা থম্নবা লেপখিবনি।


### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)
**ꯈꯣꯡꯒꯤ /NOTICE FOR OBJECTION**

Imphal, the 07th Oct. 2019

**No.Prop/SR/IW/2019:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "The Emoinu Nupi Sintha Silhenbi Organisation" on 01-10-2019 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Lillong Chajing"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (AADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15(fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/- P. Memi Devi*
Deputy Registrar of Societies, Imphal West

HL-P/4039/9



MSPDCL

### MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED
Regd. Office: 3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road,
Imphal, Manipur – 795001
CIN:U40101MN2013SGC008343

**PRESS NOTE**
Imphal, the 8 October, 2019

**No. 6/43/2016-MSPDCL (HR):** 2199-203 With the introduction of Pre-Paid meters, Billing and collection efficiency of revenue has improved in the State and consumers also have found it convenient to use. Unfortunately due to financial constraints MSPDCL has not been able to procure enough prepaid meters for all the consumers. As a result, roughly 1.6 lakh consumers are still not covered by prepaid meters.

In an attempt to make the billing of these consumers more transparent and to make the bills easily accessible to the consumers, MSPDCL has designed, coded and launched a new web portal especially for post-paid/unmetered consumers. With the help of this application, consumers will also receive their bills on their registered mobile numbers through SMS. MSPDCL will facilitate online payment of bills through the website very soon.

The objective of the proposed project is to establish an integrated billing system to achieve the following objectives:

i) To facilitate regular electricity bill preparation/distribution and revenue collection of post-paid consumers, thereby making it a hassle free process while also being accountable and transparent.

ii) Reduction of AT&C Losses thereby making the distribution business commercially viable and bring about reduction in outages and interruptions to increase consumer satisfaction.

In this regard, Leimakhong Sub-Division under the leadership of Manager Konthoujam Binoy has fully implemented the project in his Sub-Division. To acknowledge his efforts a function was organised at Leimakhong Sub-Division office of MSPDCL yesterday. The function was attended by dignitaries from MSPDCL including the Managing Director Shri L. Priyokumar Singh, Shri. SL Paokhosei (honourable Ex. Minister) and electricity consumers of Leimakhong Sub-Division. The billing system generated electricity bills for September 2019 and all Post Paid consumers received their bills instantly through SMS on their registered mobile number.

Sd/- L. Priyokumar Singh
Managing Director,
MSPDCL

HL-B/5726/9



### URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | EDUCATION LOAN AVAILABLE (HURRY, HURRY) | | | |
| 2. | Direct Selection & Joint for Airport post vacancy in IGI / Hydrabad & Bangalore (100% Guide & Success 50% ST – Reserved and Semi Government Work). | | | |
| i. | G-Head CSA/VIP Lounge Staff | 17,000 – 90,000 | 20 | G/M |
| ii. | Meet & Asst Staff/G-Retail CSA | 15,000 – 70,000 | 30 | X/XII |
| iii. | Ground Loader/Flight Cleaner | 13,000 – 60,000 | 30 | VIII/X |
| iv. | Airport Driver (Heavy) | 15,000 – 90,000 | 20 | X/XII |
| v. | Customer Potter | 17,000 – 60,000 | 10 | X/XII |
| vi. | Air Ticketing / Cargo Officer | 17,000 – 90,000 | 20 | G/M |
| vii. | Air Hostess / Cabin Crew | 45,000 – 3 Lac | 20 | XII/G |
| 3. | Direct Selection of Merchant Navy at Maritime Academy (IMA Comp.) | | | |
| i. | Documentation in Shipping | 25,000 – above | 30 | XII/G |
| ii. | Accountant in Shipping | 25,000 – above | 30 | XII/G |
| iii. | Management Shipping | 30,000 – above | 20 | G/M |
| 4. | Urgent Imphal Post Vacancy (100% Guide) | | | |
| i. | Office Reception (Female) | 5,000 – 10,000 | 10 | X/XII/G |
| ii. | VIP Security Guard / Gunman Guard | 8,000 – 15,000 | 10 | VIII/X |
| iii. | Ex-Servicemen / Training Officer | 8,000 – 15,000 | 10 | VIII/X |
| iv. | Normal Security Guard/Ladies Guard | 6,000 – 10,000 | 15 | VIII/X |
| v. | Local Driver (D.I. / TATA / VAN) | 5,000 – 10,000 | 10 | VIII/X |
| vi. | Micro Finance (CRO & RO) | 8,000 – 40,000 | 20 | X/XII/G |
| vii. | Asst. Manager/H.R. Manager(F) | 8,000 – (Ins&B) | 5 | G/MBA |
| viii. | Accountant+tally/Store Keeper (M/F) | 8,000 – above | 5 | XII/B.Com |
| ix. | House Keeping / Chowkider / Cook | 5,000 – above | 20 | VIII/X |
| x. | Sweeper /Peon/helper | 4,000 – above | 20 | VIII/X |
| xi. | Nurse (Male/ANM/GNM/B.SC Nurse) | 9,000 – 17,000 | 50 | Rel. Cert. |
| xii. | Lab Technician (ECG/X-Ray) | 6,000 – above | 10 | Rel. Cert. |
| xiii. | MIS-Co-Ordinator/Hosp. Admn. Off. | 6,000 – 12,000 | 10 | XII/G BCA/BBA |
| 5 | NO DEPOSIT WORK AT IMPHAL | | | |
| i. | Dental Lab Agent | 5,000 – above | 10 | X/XII |
| ii. | Sales Executive/Marketing Manager | 10,000 – above | 20 | XII/G |
| iii. | Insurance Agent | Negotiable | 30 | XII/G |

Date of Submission : 19-10-2019
Date of Interview : 21-10-2019
Pliz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

Please Contact & Concern
**Emoinu Job Consultant**
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/4316/27,30sept-2,4,7,9,11,14,16,18oct



### ꯃꯥꯡꯂꯦ/MIS PASS BOOK LOST
Our MIS Pass Book bearing A/C No. (8207) 17628994 date of opening account 2/11/2012 issued by Post Office (Imphal Head Office) on the way between Chingamathak Meisnam Leikai and Head Post Office on 7/10/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- (1) S. Tombi Mangang (2) S. Bimola Devi**
Chingamathak # 8415092477

HL-P/4517/9



### Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of PanditDeenDayalUpadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017
Affiliated to Manipur University
Phone No. 09366085482 /9366092109 email: pddulas@gmail.com

Ref No.PDDUIAS/Advt/15-2016/16

**ADVERTISEMENT**
Utlou, the 8th October,2019

The institute will recruit the following Teaching Posts as per UGC/ICAR Service Rule for smooth and speedy functioning of the institute.
**RR**-As per latest ICAR /UGC norm.
**Pay Scale**-Rs15,600-39,100 with Grade Pay Rs 6000/-+ Ph.D increment.

| Sl.No | DISCIPLINE | POSITION |
|---|---|---|
| 1 | Agronomy, Soil Science, Agril. Economics, Agril.Extension/ Veterinary Extension/ Home Science Extension, Agril. Statistics, Horticulture, Agril. Engineering. | Assistant.Prof-2 each |
| 2 | Crop Physiology, Fish Feeding and Nutrition, Aquaculture, Fishery Resource Management, Soil & Water Conservation, Irrigation and Drainage, Farm Machinery & Power Engineering | Assistant.Prof-1 each |

Note:
1. Application form can be had from the undersigned by paying Rs 1000/-.
2. Date of commencement of form:9/10/19
3. Last date of form submission :31/10/19
4. Interview will be held on: 3rd November,2019
5. Short listed candidates will only be called for interview

**ADMISSION OPEN**

**FOR B.TECH AGRICULTURAL ENGINEERING**

Duration of course: 4 years
Qualification: 12th Science with minimum 45%, with physics, Chemistry & Mathematics
Fee Structure: Rs 50,000/- per semester
Hostel fee: Rs 13,000/- per semester and extra university fee.
Orientation Cum Counselling: 1st November, 2019
Commencement of session : 4th November,2019
*Note:-Admission form can be had from the office of the Director, PDDUIAS, Utlou on payment of Rs 500/-during office hour.*
*Hurry Limited Seats.*
*For details Please Contact Director ,PDDUIAS, Utlou.*
*Utlou Mayai Leikai,Bishnupur District,795134,Manipur.*
*Phone No.9366045467 / 9366092109 email.pddulas@gmail.com*

Sd/-
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences

HL-P/4040/9